# হুইয়েন লানপাউ


দি আই পি আরনা শীন্দুনা পরিং নাইনা চথরকপা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিংগা পাউমীশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনবা প্রোগ্রামগী শক্তম



মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিস্টেম চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জে সী আই এল পি এসকী মকোকথোংবা লূচিংবশিং অমসুং মীয়াম্না কৈশোম্পাৎতা ৱাকৎ মীফম ফম্না



জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইরম্বা খোমদ্রাম রতন ফানবা লাউথোকখিবা ৱান্টেদ হন্দোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মহেরোয় অনীনা শিংজমৈ থোংখোংদা চরা হেনবা



কম্মিটি এগেনষ্ট সিফটিং ওফ এফ সী আই গোদাউনগী থৌমীশিংনা লৈঙাক্লা গোদাউন শাগনি হায়না থাজবা পীরম্বা লিৱা খুলেলগী মফম পাউমীশিংদা তাকপা




Vol. 40, Issue No.113 | ইরাই, ঈঙেন ১৮নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, July 22, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| --- | --- | --- |
| বিষ্ণুপুর | এনএ °c | এনএ °c |
| চান্দেল | ৩০.০৭°c | ২৫.৫৪°c |
| সীসীপুর | ২৭.৮০°c | ২১.০০°c |
| ইম্ফাল | ২৭.৬৫°c | ২১.৭৭°c |
| সেনাপতি | এনএ °c | এনএ °c |
| তমেংলোং | ২৫.৭৫°c | ১৯.৩১°c |
| থৌবাল | ২৭.৭৩°c | ২২.৯৫°c |
| উখ্রুল | ১৯.৯২°c | ১৭.০৫°c |
| মণিপুর | ৩০.৪৭°c | ১৭.০৫°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৪৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## ৱাঙাঙলোয় হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ : ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা পার্টি অসিগী মীওই মঙা ৱাঙাঙলোয় ওইনা হাপখ্রে। ৱাঙাঙলোয় হাপখ্রবা মীওই মঙা অদুদি এস টিকেন্দ্র, ওক্রম জয়, এন মঙ্গী, ডো. আর কে রঞ্জন অমসুং আর কে শিবচন্দ্রনি। মসিগা লোয়ননা মীওই ৭৪না শাবা ষ্টেট ইগজিক্যুটিব কম্মিটি শেমখ্রে। শক্লাইরবা মীওই ৪৪না শাবা ইনভাইটিজ ইগজিক্যুটিজ মেম্বর অমসুং পার্মিনেন্ট ইনভাইটিজ ইগজিক্যুটিজ মেম্বর ২৮সু হাপখ্রে। পার্মিনেন্ট ইনভাইটিজ ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিংগী মনুংদা আর কে দোরেন্দ্রো, সী দোঙেল, টি ঐচ য়ুমজাও, এন ইবোহল, হাওখোলেট কিপজেন, এ সর্দা, ঐচ কাংজাম্বা, এস ইবোহল, কে এস ঐচ ব্রজমণি, চোংসৈ হাওকিপ, এ বিরেন, টি টি হাওকিপ, এ অজা, হেনরি পাউতে, ডো. জেন্সন হাওকিপনচিংবা য়াওরি।

## গাড়ী হুরানখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ : অঙৌবা মচুগী এক্টিভা (এম এন ০১ য়ু-১৪৩৫) অমা ঙসি নুংথিল খোংমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা য়ুমগী থোঙ্গালদা থম্লম্বদা ঙাইরিঙৈদা নুপা অমনা হুরাল্লগা পুখ্রে। গাড়ীদু নিংঙোম্বম সুরেশচন্দ্র কৌবা অমগী মিংদা লৈবনি। মহাক্না য়ুমদা হেক চঙবগা ছো লোন্দুনা থম্লম্বা এক্টিভা অদু ষ্টার্ট তৌবা মখোল তারকপদগী চেঙ্খোরকপদা ফুরিৎ অঙৌবা লিৎপা পাখঙ মচা অমনা এক্টিভা অদু থৌরগা নিংঙোমথোং মায়কৈদা চৎখিবা উখি। মপু অসিনা থৌখ্রবা গাড়ী অদু মখোঙনা মতেক অমা তান্নখি। ফুট ২০ লোমতমক লাপ্লরগা থৌখিবা গাড়ী অদু খান্বীনবা মহাক্না কোয়লাউ লাউখি। তাঞ্জা অদুদা লন্বী অদুদা...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# লোন্না চঙশিল্লকপা ময়াং ১২৩ জোইন্ট কম্মিটিনা ফারগা পুলিস ষ্টেসন্দা শীন্নখ্রে

## আই এল পি চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): অৱাং সেকমাই নোংথোম্বমদা মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিং অমসুং ক্লবকী মেম্বরশিং শরুক য়াদুনা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী ৱিমন ৱিংগী কনভিনর থোঙাম অপাবী, কম্মিটি অসিগী কো-কনভিনর অর্জুন তেলহৈবা অমসুং এসিষ্টেন্ট কনভিনর হয়াতুর রহমন য়ুমখাইবম য়াওনা চথবা দ্রাইভতা ময়াং ১২৩ ফাগৎলবা তুংদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্দা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

নারোলদা ইম্ফালদা চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরম্বা ময়াং শিন্মী ১২৩ অদুগী মনুংদা ৯৭তি শক্তাক চে অমত্তা য়াওরমদে। অদুগা ২৭না শক্তাক চে য়াওরমখি। শক্তাক চে য়াওই হায়রিবা মীওই ২৭ অদুসু মাইগ্রেন্ট ৱার্করগা মরী লৈনবা চে-চাংদি অমত্তা য়াওরকখিদে। মখোয় তোঙান তোঙানবা গাড়ীদা তোংলগা চোইনা চোইনা লাকখিবনি হায়রি।

সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী কাঙবুনসু মতেং পাংদুনা মখোয়বু ভেরিফিকেসন চথুখি। মখোয়গী মরক্তা খরদি দিমাপুররোমদগী চঙলকপা মান্দনবা লমখাংদা কুমহৌরগা সেনাপতি, মোটবুং অমদি সপরমৈনানচিংবদগী লোকল বসশিংদা তোংলগা য়াওরকখিবনি। মখোয়বু মখা তানা ৱাহং-পাউহংবদা গুৱাহাতিদগী ইম্ফাল তম্না চেনবা টুরিষ্ট বসশিং অমসুং ৱিঙ্গরশিংদা লাকপনি হায়বা খঙবা ঙল্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মমাঙথক্তা তৌদনবা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা দ্রাইভর অমদি গাড়ী মপুশিংনা লল্লোনবদৌনা থবক অসি চথুরি হায়না দ্রাইভ অদুদা শরুক য়াখিবা জে সী আই এল পি এসকী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়রি।

ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ময়াং পুশিল্লকখিবা বস অমদি ৱিঙ্গরশিং হয়েং ফাওবগী মনুংদা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা ৱাখল তামিন্ননবা লাক্কদবনি। লাক্তবা গাড়ী মপু অমদি দ্রাইভরশিংগীদি ফত্ত-নুংদা থৌরকপা খুদিংমক্কী তেকচাক মশানা পুজগদবনি। মোইরাংদা লৈবা সেন্ট জেবিয়র স্কুল অমসুং এন আই টি লম্ফেলগী মখাদা শ্যামা পৱার লিমিটেদকী থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী ওথোরিটিশিংসু হয়েং ফাওবগী ...

মখা লামায় ৩ কলম ১



# এম আই দিপার্টমেন্টনা প্রোজেক্ট ১০২ পায়খৎলি : গৌড়কিশ্বর

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): এসলেরেটেদ ইরিগেসন বেনিফিট প্রোগ্রাম (এ আই বি পি), এন ঈ সী, এন এল সী পি আর অমদি নবার্দকী শেন্থং মখাদা মাইনর ইরিগেসনগী প্রোজেক্ট ১০২ পায়খৎলক্লি। মসিনা লৌফম হেক্টর ১২,৯০৪ রোমদা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা পীনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না মাইনর ইরিগেসন (এম আই)গী চীফ ইঞ্জিনিয়ার এল গৌড়কিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আর কমপ্লেক্সতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম আইগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার এল গৌড়কিশ্বরনা হায়খি, নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সীল (এন ঈ সী), নন লাপ্সেবল সেন্ট্রেল পুল ওফ রিসোর্ছেস অমদি নেসনল বেঙ্ক ফোর এগ্রীকলচরেল এন্দ রুরেল দিভলপমেন্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা পীরি।

এম আই দিপার্টমেন্টনা মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা লৌফম হেক্টর ৪৩৫১৪ রোমদা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। এ আই বি পিগী মখাদা মাইনর ইরিগেসনগী স্কিম ১০২ কুমজা ২০১৩-১৪দগী পায়খৎলকখি। প্রোজেক্ট অসিগী অপুনবা কোষ্টনা লুপা ক্রোর ১৭০.৩৭নি। প্রোজেক্ট অসি লোইশিনবগী অশেংবা মতমদি কুমজা ২০১৬কী মার্চনি। অদুবু খুদোংচাদবা কয়া থেংনখিবনা মরম ওইরদুনা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৭ ফাওবগী মনুংদদি লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা লোইশিল্লকপা মতমদা হান্না এম আইনা লৌফম কয়াদা পীরম্লিবা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা অদুগী মথক্তা লৌফম হেক্টর ১২,৯০৪ রোমদা ঈথৈ-লৌখোংগী খুদোংচাবা পীরগনি।

এ আই বি পিগী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পিক-অপ ৱায়র ৪৮, রিভর লিফট ইরিগেসন স্কিম ১৫, ইরিগেসন কেনেল ৪৭ অমদি ইরিগেসন টেঙ্ক ৯ শাবগী থবক পায়খৎলি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ২২, রিভর লিফট ইরিগেসন ২, ইরিগেসন কেনেল ২২ শেমগৎলক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ১৫, রিভর লিফট ইরিগেসন ২২, ইরিগেসন টেঙ্ক ৮ অমদি ইরিগেসন কেনেল ৩৬ য়াওরি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ৩০, রিভর লিফট ইরিগেসন ১০, ইরিগেসন কেনেল ৩৮, ইরিগেসন টেঙ্ক ৩ য়াওরি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ৩২, ইরিগেসন কেনেল অমা য়াওরি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ৩৪, ইরিগেসন কেনেল অনী য়াওরি। সেনাপতিগী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ৭৭, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ২৯, আর এল আই অমা অমদি চুড়াচান্দপুরগী ওইনা পিক-অপ ৱায়র ৫২ য়াওরি।

রুরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা কুমজা ২০১৫-১৬তা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা দি পি আর অমা শেমদুনা এম আইগী স্কিম ২০ লোম লুপা ক্রোর ১০ চঙনা পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। কুমজা ২০১৫গী ঈচাউদা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা স্কিম কয়া নৌনা শেমগৎনবা মীৎয়েং থল্লি।

এন ঈ সীগী স্কিম মরি অমসু হৌখিবা চহী ৫দা এম আইনা পায়খৎখি। থৌবাল তুরেলগী মথক্তা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী হুম্ফুংদা পিক-অপ ৱায়র অমা শেম্বগী ফাউন্দেসন ৱার্ক হৌরে। হৈরোক্তা কোঙ্ক্রিক দাম অমা শেম্বগী থবক পায়খৎলি। চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পুল্লেনপাৎ, খরুংপাৎ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওকশোইপাৎ, হাওতকপাৎ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা খোংহাম্পাৎ, কোঞ্চাক অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাইরম্পাৎতা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# ফিল্ম পোলিসি লাকপদা মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎ য়াংশিল্লক্কনি : আর কে নিমাই

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ফিল্ম পোলিসি লাকপা মতমদা ফিল্মগী খোঙচৎতা হেন্না য়াংশিনবা ঙমগনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কন্সল্টেন্ট ডো. আর কে নিমাইনা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কিট হোলদা পাঙথোকখিবা টেলিভিসন এন্দ সিনে ফাউন্দেসন মণিপুরগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ডো. আর কে নিমাইনা হায়খি, ফিল্ম পোলিসি পুথোক্ন বগীদমক দ্রাফট তৌবা লৈখ্রে। পোলিসি অসি পুথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা লমদমসিগী মীয়াম অমদি অখঙ-অহৈশিংদগী মোত লৌবা মথৌ তাই। তুংগীদমক অশানবা মীৎয়েং থমদুনা পোলিসি অসি পুথোকহৌবা চঙই। মতমসিগা চুনবা অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা কয়া অসি য়েংলগা ফিল্ম পোলিসি পুথোকপা তঙাইফদে। ফিল্ম পোলিসি লাকপা মতমদা ষ্টেট অসিগী ফিল্মগী খোঙচৎতা হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙমগনি।

ফিল্ম পুথোকপা হায়বসি য়াম্না অরুবা হীরম অমনি। কনাগুম্বনা শেল খরা পায়রগা ফিল্ম হেক্তা নমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পুথোক্নবদি মগুণ লৈবা ফিল্ম পুথোকপা ঙমগনি থাজদে। মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা মশক অমদি ফিল্মগী লমদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরগা মগুণ লৈবা ফিল্ম পুথোকপা মথৌ তাই।

মগুণ লৈবা ফিল্ম মশীং য়াম্না পুথোক্তুনা ফিল্মগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা শক্তম অমা পুরক্নবগীদমক হোৎনমিন্নসি। লমদম অসিদা ফিল্মগী শক্লাইরবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। শীংথানিংঙাই ওইবা এৱার্দ ফংলকপা কয়া অমসু লৈরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা শমজাইনা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক সিনেমা হোলশিং শীজিল্লকপগী শক্তম অমা উবা ফংলে। মতম অমদা য়ং য়ং লাউনা মমিং লৈরম্বা সিনেমা হোল কয়া ঙসিদি লৈশিল্লক্ত্রে। ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা হোল কয়া শিথখিদুনা...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# বোম পোকখায়হনবা থৌদোক কন্দেম তৌখ্রে, ক্লেম তৌরক্লে



ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা পুখ্রি অচৌবা মপান্দগী বি দি ও ওইনা থবক তৌরম্বা মাইবম ইবোতোম্বী (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা লৈরেনগী য়ুমদা ঙরাং অহিং বোম অমা পোকখায়খ্রে। বোক পোক-হায়হনবগী থৌদোক অদু কে সী পি-পোইরৈ মৈতৈ লূপনা চথুখিবনি হায়না লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লেম তৌরক্লি।

বোম পোকখায়খিবা ইমুং অদুগী য়ুম্বু ইবোতোম্বীনা ফোঙদোরকপদা, লালহৌলূপ অমত্তনা মমাঙদা কিহল্লকপা লৈত্রি। হন্দক য়াইরিপোক্কী স্কুল কেম্পেসতা পৱার সব-ষ্টেসন শাবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরক্তা বোম লংশিন্দুনা অকি-অখঙ পোকহল্লকপসি য়ানিংদে। থৌদোক অসিগী মতাংদা শেংদোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। বোম পোকখায়খিবা মফম অদু ঙসি অয়ুক য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে।

অমরোমদা, সোসল এন্দ ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, য়াইরিপোক্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়ুম্লক্তা বোম পোকখায়হল্লম্বা কন্দেম তৌই। য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগী এম ইবোতোম্বীগী য়ুমগী গেটতা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনখিবা থৌদোক অসি কন্দেম তৌই। মতুংদা মী কুংবা মফমদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহনবীগনু।

অমরোমদা, জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট কন্সট্রক্সন ওফ পৱার সব-ষ্টেসন এট য়াইরিপোক হায় স্কুল কেম্পসকী কো-কনভিনর কে এস ঐচ ইতো অমদি কো-কনভিনর কে ঐচ ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়,...

মখা লামায় ৩ কলম ৫


## HL POLL

Q : Sel-thumgi fibam mayol shokle haibasi thoumisingna haidok-ningdribasi achumba thouongla?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Sadar hills ADCgi office building nong yubagi wathok asi leingakna yengsinba watpadagira?

Yes 81% No 19%


## অস! লোইরেহে!

মহেরোয়শা, পূক্লিং চঙনা য়েংউ, অনৌবা ফোর্মুলানি...!



সার, করি লাইরিক্তা য়াওবগে?

# জপানিজ এনকেফেলাইটিসনি চিংনবা অনী অমসু থেংনরে

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): কাংনা শন্দোকপা জপানিজ ইনকেফেলাইটিস লায়না মনিপুরদা নৌনা শন্দোরকপা থিংননবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী, পি ঐচ এস সী নচিংবগী মীওইশিংনা অকনবা থবক লৌখৎলিঙৈ চৈরকসিদা লায়নাসি ওইবা য়াবা কেস অনীসু নৌনা থেংনরে হায়না অৱাংবা থাক্কী পাউগী লীখুন অমনা হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিনা হায়, ঙরাং ফাওবদা মীওই ৯ দা জপানিজ এনকেফেলাইটিসনা নারে হায়বগী রিপোর্ট পাউচে অসিনা পীখ্রবা মতুংদা ঙসিসু লায়নাসি ওইবা য়াবা অনৌবা কেস অনী থেংনরে হায়রি। মীওই অনীদুগী মনুংদা অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক্তগীনি অদুগা অমনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী চুড়াচান্দপুর বজারদগীনি। মখোয়গী লাইওং অদু জপানিজ এনকেফেলাইটিস ওইবা য়াই চিংনবদগী ঈ চাংয়েং তৌখ্রে। রিপোর্ট পীরক্লবা মতুংদা চপচাবা খঙলগনি।

পাউসিনা মখা তারদুনা, জপানিজ এনকেফেলাইটিসকী লায়না ওইবা থেংনরবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, সি সিপুর, চান্দেল, উখ্রুল অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা চেকশিন ...

মখা লামায় ৩ কলম ৫

# বিষ্ণুপুরগী তৌপোকপীদা খোইহিগী প্রোসেসিং প্লান্ট লিংখৎনবা মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তৌপোকপীদা খোইহিগী প্রোসেসিং প্লান্ট অমা লিংখৎনবা মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা অয়াবা পীখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, কুমজা ২০১৬-১৭তগী প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। প্রোজেক্ট অসিগী অপুনবা শেনফম্না লাখ ৬৯৪.৩১নি। শেনফম অসি থাদবা মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা অয়াবা পীরে। হোনি প্রোসেসিং প্লান্টকী কম্মন ইনফ্রাষ্টকচর ফেসিলিটিজ শেমগৎনবগীদমক প্রোজেক্ট কোষ্ট অসি মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা অয়াবা পীরকখিবনি।

শেনফম অসিগী মনুংদা এগ্রিকলচরেল এন্দ প্রোসেস ফুদ প্রদক্ট এক্সপোর্ট দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী গ্রান্ট ইন-এইদ লুপা লাখ ৪০৯.২৩ য়াওরি। খোইহিগী প্রোসেসিং প্লান্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা পুথোক্লিবা খোইহিশিংবু নিংথিনা প্রোসেস তৌদুনা পুথোক্নবা মীৎয়েং থল্লি।

পনবা য়াবদি, ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পুথোক্লিবা খোইহিংশিং তোপ-তোপ্পা ক্বালিটি লৈবনা মপালগী অচৌবা ফার্ম কয়ানা লৈগে হায়বগী দিমান্দ তৌরকপা লৈরি। ফার্মাসিউটিকেল কম্পেনি কয়ানসু ষ্টেট অসিগী খোইহি লৈবা পান্বগী ৱাফম ফোঙদোক্লুরকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা, নেসনল মিসন ওন ফুদ প্রোসেসিং থবকশিং মণিপুরদা পায়খৎলক্লি। নিলকুথিদা ফুদ পার্ক অমা শেমগৎলে। পোরোম্পাৎতসু ফুদ প্রোসেসিং ট্রেনিং সেন্টর, রিজনেল এক্সটেন্স সার্ভিস সেন্টর লিংখৎলে। হৈমহি শুংনবগী য়ুনিট অমসুং ট্রেনিং সেন্টর অমা লিংখৎখ্রে। মণিপুরদা ফংলিবা উহৈ-ৱাহৈশিং প্রোসেস তৌদুনা মপাল ষ্টেটশিংদা থাদোকপা ঙম্নবগী মীৎয়েংসু চঙলক্লি হায়রি।

# চীফ সেক্রেটরি জর্মনদা চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা থা অসিগী ২১দগী ৩১ ফাওবা ওফিসল ভিজিট ওইনা জর্মনদা ফোরেন টুর চৎলিঙৈ মনুংদা তঙাইফদবা থবকশিং সিনিয়র মোষ্ট এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি নৎত্রগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা তৌগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি ওফিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চীফ সেক্রেটরি ওফিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফোরেন টুর মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী তঙাইফদবা এদমিনিষ্ট্রেটিব মেটরশিংগী থবকশিং সিনিয়র মোষ্ট এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি নৎত্রগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা পায়গনি। অদুবু চীফ সেক্রেটরিগী এপ্রুভেল তঙাইফদবা থবকশিংগী ওইনদি টুরদগী হল্লকপা ঙাইগনি। ইলেক্সন দিপার্টমেন্ট অমদি সী ঈ ও ওফিসকী তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং জোইন্ট সী ঈ ওনা পায়গনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# নুমিৎ মঙানি ঈশিং থাখিরোই

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): ৱাটর সপ্লাই মেন্তেনেন্স দিবিজন ৱান, পি ঐচ ঈ দি, মনিপুরগী মখাদা লৈরিবা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল ৱাটর সপ্লাই স্কীম্না ঈশিং পীরিবা মফমশিংগী অরিবা পাইপ লাইনশিং শীন্দোক্তুনা অনৌবা পাইপ লাইনশিং তিংলকপা অমদি ঈশিং থাদোরক্লিবা মেন পাইপ শেমদোক শেমজিন তৌবা মরম্না নুমিৎ মঙানিরোম মীয়ামদা ঈশিং পীবা খুদোংচাখিরোই হায়না দিবিজন অসিগী ইগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অরিবা পাইপ্তা লৈরিবা কন্নেক্সন পুম্নমক মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক অনৌবা পাইপশিংদা হোংজিল্লগনি। মরকসিদা কঞ্জুমরশিংনা ওফিসকা তান্নরগা অতোনবা টেক্স থীদোক্তুনা রিকনেক্সন তৌগদবনি হায়রি। লোয়ননা কনেক্সন ওর্দর চে পায়দ্রিবা কঞ্জুমরশিংনা ওফিসকা তান্নরগা মশা মশাগী চে পায়হৌনবা খঙহল্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# 'নীংশিং থৌরম পাঙথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ওগষ্ট ১৩ অসি তোঙান তোঙানবা লুপ ময়াম্না লীশাং শীৎনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক চহীগীসু পাঙথোক্কনি হায়না দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মনিপুর (দেসাম) গী সেক্রেটরি জেনরল নামৈরাকপম এদিসন মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশামপাৎ জঙ্কসনদা লৈবা দেসাম হেদ ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবদা নামৈরাকপম এদিসন্না মখা তানা হায়খি, থৌরম অসি পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা দেসাম অমসুং এইমসনা আপিল তৌনিংবদি নুমিৎ অসিদা লৈবাক নীংবগী শৈরেং থিবা চাংদম্নবা, লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবা, অথৌবশিংগী পুন্সিগী ৱারী অমদি মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং নৈনবনা মরুওইবা থৌরম ওইনা পাঙথোক্লি। মনিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিসু থৌরম অসিগা মরী লৈননা নৈনবীয়ু। ওগষ্ট ১৪ অসিসু মনিপুরগী ...

মখা লামায় ৩ কলম ৫

# সেৱেরেজ প্রোজেক্ট ফেজ-১ নবেম্বরদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি : সুনিল

ইম্ফাল, জুলাই ২১(ঐচ এন এস): সেৱেরেজ প্রোজেক্ট ফেজ ৱান চহীসিগী নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি। ত্রিটমেন্ট প্লান অমদি পম্পিং ষ্টেসনশিং শাবা লোইরে হায়না পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) গী চীফ ইঞ্জিনিয়ার ঐচ সুনিলনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আর কমপ্লেক্সতা পরিংনায়না চথরক্লিবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা পাউমীশিংগা উন্নবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পি ঐচ ঈ দিগী থবক থৌরাংশিংগী মতাংদা পাউদম্লদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র সুনিলনা হায়খি, সেৱেরেজ প্রোজেক্ট ফোর ইম্ফাল সিটি ফেজ ৱানগী থবক থৌরম অয়াম্বা লোয়শিল্লক্লে। প্রোজেক্ট অসিগী মরুওইবা কম্পোনেন্টশিং শাবা লোয়রে। ট্রিটমেন্ট প্লান্ট, পম্পিং ষ্টেসন শাবা লোয়রে। পাইপ ফুম্বগী থবকসু অয়াম্বা লোয়শিল্লক্লে। হৌজিক ফাওবদা চাদা ৯০.৫০ ফাওবগী চাংদা লোয়শিল্লে।



চৎলিবা চহী অসিগী নোংজু থা মমাংদা প্রোজেক্ট অসি শঙ্গানবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু লাইবক থিবদি চহীসিগী অহৌবা শরুক্তা য়ুহা হাখিবদা লম্ফেল মায়কৈদা সেৱেরেজ প্রোজেক্টকী পাইপ খরা অমাঙ অতা থোকখি। লৈমায়দগী ফুট ১৫ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লুবা মফমদা ফুম্বা পাইপ খরা শেমজিনবগী থবক পায়খৎপদা মতম খরা চংবনি। লৈনুংদা লুনা তৌথরগা শুগদবা থবক ওইবনা নোংজু থাদা ঈশিং য়াম্না লৈশিনবদগী থবক শুবদা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্নে। অদুমকপু চহীসিগী নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদদি সেৱেরেজ প্রোজেক্ট ফেজ ৱান শঙ্গানবগীদমক পান্দম থল্লি।

পি ঐচ ঈ দিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা থক্নবা ঈশিং পীনবগী থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। ইম্ফাল ৱাটর সপ্লাই, অর্বান অমদি রুরেল ৱাটর সপ্লাইগী থবকশিং খুমাং চাওশিন্নবা লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি। ইম্ফাল ৱাটর সপ্লাইগী মরুওইবা ট্রিটমেন্ট প্লান্টশিং অসি চহী য়ামশিল্লকপনা মরম ওইদুনা পুথোকপা ঙম্বগী চাং অদু হন্থরক্লে। ইম্ফাল ৱাটর সপ্লাইগী মনুং চন্না লৈবা ট্রিটমেন্ট প্লান্টশিংগী মনুংদা কাংচুপকী প্লান্ট অসি ১৯৬৫ তা থবক হৌখি। ইন্সটোল কেপাসিটি ১৪.৫৩ এম এল দি ওইরবসু লীশিল্লকপনা মরম ওইদুনা হৌজিক ১০.২৪ এম এল দি খক পুথোক্লি।

কাংচুপ এক্সটেন্সনগী ওইনা কুমজা ২০০০ দা হৌখি। কেপাসিটি এম এল দি ৯.৮ ওইখিবা অদু হৌজিক ৬.৮১ এম এল দি খক পুথোকপা ঙম্লি। সিংদা প্লান্ট অসি কুমজা ১৯৮৩ দা লীংখৎখি। প্লান্ট অসিগী কেপাসিটি এম এল দি ১৮.১৬ অসি হৌজিক হৌজিকসু অদুম্মক পুথোকপা ঙম্লি। মিনুথোংগী প্লান্ট অসি ১৯৭৭ দা হৌখি। ইন্সটোল কেপাসিটি...

মখা লামায় ৩ কলম ৩